# এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মেন’স কাং টুর্নামেন্টতা এস এ ৱাই সী টিম এ সোরোক অতিংবী মায় পাকখ্রে



জিরিবাম, জুলাই ০৭ :
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই কাংশঙদা টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথরিবা ২০ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মেন’স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এ ৱাই সী টিম এ সোরোক অতিংবীনা য়াইফা লমজিং ক্লব (ৱাই এল সী) দিবোং খুনৌবু পাঞ্জল ১৭-১৬ তা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়াইফ লমজিং ক্লব (ৱাই এল সী) দিবোং খুনৌ কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা এস এ ৱাই সী টিম এ সোরোক অতিংবীনা কাং কাপ্পা হৌখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা কাংখূৎ অনীমক্কা কন্না শান্নখি অদুবু অরোইবা পুংজাদা এস এ ৱাই সী টিম এ সোরোক অতিংবীনা য়াইফ লমজিং ক্লব (ৱাই এল সী) দিবোং খুনৌ কাঙখূৎপু পাঞ্জল ১৭-১৬ তা মায়থীবা পীখি। কাং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং এল ঈ সী বাবুপড়া অমদি কে ৱাই সী কালিনগরনা শান্নরগনি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এন কুঞ্জমোহন সিংহনা অম্পয়ার অদুগা এন কিরন সিংহনা স্কোরর ওইখি।

# ইন্টর স্কুল গেম ত্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ :
চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন্দা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস ত্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী ১৪ মখা অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী আর্চরি; চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাশিংগী হেন্দবোল; চহী ১৭ মখাগী নুপামচাশিংগী হেন্দবোল লোয়ননা চহী ১৪ অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ত্রাইএল সেলেক্সন ওগষ্ট ২ দগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা ওগষ্ট ১ নি হায়রি।

চহী ১৪ মখা অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী এথলেটিক্স; চহী ১৪ মখাগী নুপামচাশিংগী বোক্সিং; চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী বোক্সিং; চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ৱেথলিফটিং অমসুং চহী ১৪ অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংগী ফেন্সিংগী ত্রাইএল সেলেক্সন ওগষ্ট ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা ওগষ্ট ১৪ নি।

অমরোমদা চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ফুটবোল; চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী বোল্লিবোল; চহী ১৪ মখাগী নুপামচাশিংগী বোল্লিবোল অমসুং চহী ১৪ মখা অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টাইক্বান্দোগী ত্রাইএল সেলেক্সন ওগষ্ট ২৩ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ওগষ্ট ২২ নি হায়রি।

জুলাই ১০ দগী হৌনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর চুড়াচান্দপুরগী ওফিসতগী ওফিস মতম ইলিজিবিলিটি সার্টিফিকেট লৌবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# পেনকেক সিলেট

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ :
লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবদা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচীংদা অহানবা মণিপুর ষ্টেট পেনকেক সিলেট দিভলপমেন্ট কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি হায়না পেনকেক সিলেট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ জুগেশ্বর সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কনফরেন্স অসিদা মরু ওইনা খন্না নৈনগদবা ৱাফমদি, পেনকেক সিলেট মশান্নবু নৌরিবা শান্নরোয়শিংদা মমুৎ তানা খঙহনবা, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পেনকেক সিলেটকী ত্রেনিং সেন্তর হাংদোক্নবা হোৎনবা অমদি ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী টিম খনবদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং য়াওহন্নবা হোৎনবগী মতাংদনি। মার্সেল আর্টসপু নুংশিজবা, পেনকেক সিলেট মশান্নবু মমুৎ তানা খঙনীংবা অমদি পেনকেক সিলেট এসোসিএসন ওফ মণিপুরবু শৌগৎপীবা ক্লব, ওর্গেনাইজেসন, অহল-লমন অমদি মীওই খুদিংমক্না কনফরেন্স অসিদা শরুক য়াবিয়ু হায়না পেনকেক সিলেট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঐখোয়গী মতমদদি নাগালেন্দদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিসু খরা থাক ৱাংনা খন্নরকই ঃ আর কে দেবযানি



আর কে দেবযানি
(ভেটরান প্লেয়র)

(হান্নগী মখা...)

জি পি কোলেজগী ওইনসু, ইষ্টর্নগী ওইনসু হর্দল, লমজেল, বেদমিন্টন ইভেন্টশিং অসিদদি ফার্ষ্ট অদুম লৌরকখি। কুমজা ১৯৭০ গী মতমদুদা নহা ওইরিঙৈগী য়াম্না নুংঙাইবা স্পোর্টসকী পুন্সি অমা ঐগীসু লৈরম্মী। অদুগা ঐগী তোঙানবা ষ্টাইল অমসু শান্নবা থোকপসিদা লৈজে।

ফিল্ডদা শান্নবা থোকপদা তরু-তরুনা থোকপসি য়াম্না পামজরকখি। থোইদোক্লা মমল য়াম্বা খোঙউপ, ফিরোল শেৎ চাবগী ৱা নত্তে। স্কর্টমক্তা শেৎলবসু নিংথিনা শুদোক্লগা ইষ্ট্রি তক্লগা তনান-তনান থোক্তুনা শান্নজরকখি।


মরু ওইনা বেদমিন্টন শান্নবা মতমদদি স্কর্ট অঙৌবা, ফুরিৎ অঙৌবা, টেনিসকী ফি খোঙউপ অঙৌবসি ফজনা শুরগা মদু শেৎ চারগা শান্নরকই। কম্পিটিসন্দা শেৎ চাগদবা ফিরোলগসিদি নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈদগী তোঙাননা ইষ্ট্রি তক্লগা থমখ্রদৌনি। অদুমহায়না নান্না থোক্লগা শান্নবগী নুংঙাইবসিসু তোঙানবা মহাও অমনি।

ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী ওইনা ষ্টেট গেমসতা মনা তত্তনা লৌবগী ঐগী মীংসি ইষ্টর্নগী দেবযানী হায়রগসু ময়াম্না খঙনবীরকখি। মরু ওইনা এথলেটিক্সকী ইন্দিভিজুয়েল আইটেম অহুম মরিগী ইতৎ তত্তনা প্রাইজ ফংবনা মরম ওইরগা ইষ্টনগী অহল লমনশিংনসু ঐবু য়াম্না লুনা নুংশিনা তৌবীরকখি।

সাইকল তোঙবা ইষ্টনগী থৱায় য়াম্না য়াওবা অহল ময়াম অমসু ঐখোয় মতমদা লৈরম্মী। ষ্টেট গেমস য়ৌরক্লবদি থওইনা সাইকল তোঙলগা ঐবু লৌবা লাক্কনি। ঐগী কম্পিটিসন লৈবা নুমিৎশিং অসি পুংফমগা কোন্ননা চে অমদা ইরগা মাঙজৌননা পীরমগনি। পাউদু হেক পীরবগা কম্পিটিসন য়াওননবা ঐখোয়সু অদুম শেম শাগনি।

থোইদোক্লা শান্নরোয়নি হায়বগী অহেনবা ফেসিলিটি ঐখোয় মতমদা করিসু লৈরক্তে। ইশাগী কোলেজগীনি, ইশাগী ক্লবকীনি, ইশাগী ষ্টেটকীনি খল্লগা শান্নজবদুদা পংনুংদা নুংঙাই, পংপেনদা পেল্লি। প্রাইজ মচা অমগা পীরকপদু পংহাদা হরাউই।

অদুগা বেদমিন্টনগী মতাংসিদি ঐখোয়না কন্না শান্নরম্বা মতমসি বেদমিন্টন ফেদরেসন্দগী এফিলিয়েসন ফংদ্রি। অদুনা মতমদুদা নাগালেন্দদা চাংনাইনা পাঙথোকপা বেদমিন্টনগী টুর্নামেন্টসিনা খ্বাইদগী চাউবা ওইনা লৌনৈ।



কুমজা ১৯৭২ দগী থংনা থংননা চহী অহুম ৱিন্নর ওইবগী ফংলকখিবা ত্রোফি

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

মদুদা ৱিন্নর লৌননবসি কন্না হোৎনৈ। নাগালেন্দদা তৌবা টুর্নামেন্টসি মায় পাক্লবা অদুক্কী মতিক প্রেক্টিশসি অয়ুক নুংথিল পারগা তৌরকখি। কুমজা ১৯৭২ দগী ঐহাক য়োনেক্সকী সট্টল কোক পায়দুনা শান্নরে।

ইমুং মনুংনসু ফজনা সপোর্ট তৌরকপনিনা থোইদোক্লা নীংবা থুংদবা হায়বদুসু লৈরক্তে। ঐনা থৱায় য়াওনা শান্নবখক্তদা পূক্নিং লুপ্না হোৎনবসি ময়াম্নসু লোইনা উবীবনিনা ঐহাক নুংঙাইনা অদুমক শান্নজরকখি।

নাগালেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিসু কুমজা ১৯৭২ দগী থংনা থংননা চহী অহুম লেপ্তুনা সিঙ্গলসকী ৱিন্নর লৌবা ঙম্বগী, কুমজা ১৯৭৪ দদি রন্নিং ত্রোফি অসি ঐনা ফংবা ঙমজরকখি। হায়রিবা ত্রোফি অসি লৌজখিবা মীকুপ্তুসু ঐহাক য়াম্না নুংঙাইজখি।

মতমদুদা নেসনল চেম্পিয়ন ওইরবগুম ৱাখলসিদা ফাওজখি। নাগালেন্দগী টুর্নামেন্টতা ৱিন্নর লৌবদুদগী ওল আসামগী ওইনসু চেম্পিয়ন লৌবা ঙম্লগদি হায়বসি খনবা হৌরকখি।

হায়রিবা টুর্নামেন্টতুদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী নুপী বেদমিন্টন প্লেয়র অয়াম্বা লোইনা শরুক য়াই। নাগালেন্দগী টুর্নামেন্টতুদা ফাইনেলদা ঐগা অদুম থেংনবসিনা হোষ্ট ষ্টেটসিগী প্লেয়র অদুম ওই।

লৌজরকখিবা ত্রোফি অদু চহী অহুম চুপ্পা ৱিন্নর ওইরবা মতুংদা পীবিরকখিবনি। ঐনসু য়াম্না লুম্না নুংশিনা লৌজবা মনানি। অদুবু লাইবক থিবদি মণিপুর ষ্টেটকী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা রন্নিং ত্রোফি ওইননবা পুখ্রগা মফম খঙদনা মাঙখ্রে।

ত্রোফি অসি কনাগীদা লৈবনো ঙসি ফাওবা অদুম উবা ফংখিদ্রে। ইশানা ৱানা ফংজরকখিবা ত্রোফিসি অমুক্তংদি উনীংই।

-মথং-মথং

# রোজর ফেদরর, এঞ্জেলিক কার্বর, দোমিনিক থিম অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



লন্দন, জুলাই ০৭ (এজেন্সী) :
ৱিমব্লেদনগী অনীশুবা রাউন্দদা রোজর ফেদরর, এঞ্জেলিক কার্বর, দোমিনিক থিম, মিলোস রাওনিক, অর্নেষ্ট গুলবিস অমসুং কেরোলাইন ৱোজনিয়াক্কিনা মাগী-মাগী লম্বা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

সেন্টর পোর্টতা শান্নখিবা মেচ অমদা রোজর ফেদররনা সার্বিয়াগী দুসান লেজোবিকপু ৭-৬(০), ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

নিপাল্লকশুবা ওইনা ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌনবা থৌরাং তৌরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা অহানবা সার্ভিসতা শোয়খিবগা লোয়ননা অহানবা সেট থোইনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। অকোনবদা মহাক্না টাই ব্রেকতা ৭-০ দা অহানবা সেট থোইখি।

ফেদররনা অনীশুবা সেটতা ব্রেক অমা ফংখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা সেটতসু মাঙজিল থানা চৎখিবা মরম্না জর্মনিগী দুসান লেজোবিক মায়থীহৌবা তাখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা টোপ সীদ এঞ্জেলিক কার্বরনা ক্রিষ্টেন ফ্লিপকেন্সপু ৭-৫, ৭-৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা চঙখ্রে।

মমাঙ চহীগী ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবা কার্বরনা হন্দক্কী মতাং অসিদা ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌনবা কন্না হোৎনরি। মমাঙ চহীদা মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অমসুং য়ু এস ওপন লৌখিবা তারবসু চৎলিবা সিজন অসিগী ওইনদি টুর্নামেন্ট অমত্তা লৌবা ঙমদ্রি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিমনা ফ্রান্সকী গিলেস সাইমনবু ৫-৭, ৬-৪, ৬-২, ৬-৪ দা থোইদুনা ৱিমব্লেদনগী অহুমশুবা রাউন্দদা চঙবা ঙমখ্রে। মহাক্না টুর্ণামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা হন্দক্না অহানবনি।

টেনিস মশান্নদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না থাজনরিবা থিমনা পুংদা মাইল ১৩৫ য়াংনা সার্ভিস তৌদুনা মহাক্কী লম্বা গিলেস সাইমনবু মায়থীবা পীখি।

মমাঙ থাদা মশাগী চহী ২৩ শুরবা থিমনা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমী ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অমদি য়ু এস ওপনদসু মরিশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

দোমিনিক থিমনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জারেদ দোনাল্ডসন নৎত্রগা ইটালিগী পাউলো লোরেনদিগা শান্নরগনি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা কেনাডাগী মিলোস রাওনিকনা রসিয়াগী মিখাইল য়োজনিবু ৩-৬, ৭-৬ (৭), ৬-৪, ৭-৫ দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দগী চঙখ্রে।

পাউ মীশিংগা উনখিবা অমদা রাওনিকনা হায়খি, লাইবক ফবদগী মিখাইল য়োজনিবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। মমাঙ চহীগী ফাইনেলদা বৃটেনগী এন্দি মুরেগী মখুৎতা লৈহৌখিবা রাওনিকনা মথংগী রাউন্দদা ২৫শুবা সীদতা লৈরিবা স্পেনগী ওলবর্ট রেমোস-বিনোলাসকা থেংনরগনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা লেটবিয়াগী অর্নেষ্ট গুলবিসনা অর্জেন্টিনাগী য়ুৱান মার্টিন দেল পোট্রোবু ৬-৪, ৬-৪, ৭-৬ (৩) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা অর্নেষ্ট গুলবিসনা কুমজা ২০১৪ গী ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমী ফাইনেলদা খুজেং অমসুং লেঙজুমদা শোকখিবা মরম্না মহাক্কী কেরিয়রদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি।

সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক জোকোবিককী মখুৎতা মায়থীহৌবদগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৫৮৯শুবদা হন্থরকখি।

হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ৯৯ শুবদা লৈরিবা গুলবিসনা চহী অসিগী মনুংদা শুপ্নগী মেচ অনীখক্তমক থোইবা ঙমখি।

গুলবিসনা হায়খি, থা ১৩ গী মনুংদা খ্বাইদগী নিংথিজবা মওংদা মায় পাকপা হন্দক্না অহানবনি। মমাঙ চহীদা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ১০০০ শুবদা লৈরম্বদগী হৌজিক্তি তপ্না-তপ্না মথকলোমদা কাখৎলকপা ঙমলে।

অতোপ্পা সেকেন্দ রাউন্দগী মেচ অমদা কেরোলাইন ৱোজনিয়াক্কিনা স্বেটাদা পিরোনকোভাবু ৬-৩, ৬-৪ দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

মঙাশুবা সীদতা লৈরিবা দেনমার্ককী শান্নরোয় অসিনা বেজলাইনদগী নিংথিজবা সোট কয়া য়ৈদুনা মহাক্কী লম্বাবু য়াম্না লায়না থোইবা ঙমখিবনি।

মথংগী রাউন্দদা মহাক্না ৩৮শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা এষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাবিককা থেংনরগনি। কুমজা ২০১০ অমসুং কুমজা ২০১১ দা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী শান্নরোয় অসি মতুং তারকপদা গ্রান্দ স্লাম টুর্ণামেন্ট অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাকখিবনি।

হন্দক্কী মতাং অসিদা মহাক্না ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌনবা পান্দম থল্লি।

# এসিয়ন এঠলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ : অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ২ লৌবা ঙমখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ০৭ (এজেন্সী) :
শোট পুট্টর মনপ্রীট কোর অমসুং লমশাং চেনবগী লমজেল্লোয় জি লক্ষমনন্না ২২শুবা এসিয়ন এঠলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা নুমিৎতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়ানা মেদল ৭ লৌদুনা মেদল টেলিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। নুপীগী লোং জম্পতা বি নিনা অমসুং নয়ন জেমসনা মথংশিৎনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপাগী দিস্কস থ্রো, নুপীগী মিটর ৫০০০ গী লমজেল অমদি জেভলিন থ্রোদা মথংশিৎনা বিকাস গৌডা, সঞ্জিবিনি যাদভ অমসুং অনু রাণিনা মথংশিৎনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

শান্নবগী লমদা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা লৈরিবা চাইনানা গোল্ড মেদল অমা অমসুং সিলভর অনী লৌখিবগা লোয়ননা মেদল টেলিদা অনীশুবদা লৈরি।

মনপ্রীট কোরনা ইন্দিয়াগী ওইনা গোল্ড মেদলগী একাউন্ট হাংদোকখিবগা লোয়ননা মিটর ১৮.২৮ শান্না লংবা ঙমখি। মশান্না অসিদা চাইনাগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা গুও টিয়ান কিনবু মায়থীবা পীরম্লগা মনপ্রীটনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

মী থন্না তিনখিবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অথোই-অহেন তান্নবগী থৌরম অদুদা চাইনাগী টিয়ান কিননা মিটর ১৭.৯১ লংদুনা সিলভর মেদল লৌখি। জপানগী আইয়া কোটানা মিটর ১৫.৪৫ লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা মালেমগী মরিশুবদা লৈরিবা চাইনাগী গোং লিজিয়াও শরুক য়াদবা মরম্না মনপ্রীটনা গোল্ড মেদল শোয়দনা লৌগনি হায়না মীয়াম্না থাজনখি।





এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ৱিন্নর খূদিংমক মথং থাদা লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগী ক্বালিফাই ওইরগনি।

পঞ্জাবকী পাটিয়ালা মনাক্তা লৈবা খুঙ্গং অমদগী হৌরকখিবী মনপ্রীট কোরদি নেসনল রেকোর্দ থমখিবা মরম্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইবা লৈখ্রবনি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা লক্ষমনন্না ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল্ড লৌখি। নুপাগী মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা মহাক্না থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

কুমজা ২০১৩ দা ৱুহানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা লক্ষমনন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

মশান্না অসিদা কটারগী য়াসর সলেমনা সিলভর অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী তারিক অহম্মদনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী লোং জম্পতা ইন্দিয়ানা সিলভর মেদল অমগা ব্রোঞ্জ অমগা লৌবা ঙমখি। ভি নিনা অমদি নয়ন জেমসনা মথংশিৎনা মিটর ৬.৫৪ অমসুং মিটর ৬.৪২ শান্না চোংদুনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

মিটর ৬.৫৪ শান্না চোংখিবা ভিয়েটনামগী বুই থি টুনা গোল্ড মেদল লৌখি। নুপীগী মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা সঞ্জিবিনি যাদভনা অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। মশান্না অসিদা র্কিগিষ্টানগী দারিয়া মাসলোভা অমসুং য়ু এ ঈগী আলিয়া মহম্মদনা মথংশিৎনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখি।

নুপীগী দিসকস থ্রোদা ইন্দিয়াগী বিকাস গৌডানা অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি। ইরানগী এহসান হদাদিনা গোল্ড অমসুং মালেসিয়াগী মহম্মদ ইর্ফাননা সিলভর মেদল লৌখি।

নুপী অমসুং নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী দুটি চান্দ অমসুং অমিয়া কুমার মালিক সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫১

১. হান্নদি টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবদা থার্দ অম্পয়ার লৈরমদে। থার্দ অম্পয়ারগী চৎন-কাঙলোন অসি হেক লৈরকপগা থার্দ অম্পয়ারনা অহানবা ওইনা আউট পীখিবা শান্নরোয়দি সচিন টেন্দুলকরনি। থার্দ অম্পয়ার অদু কনানো?
২. Me, Myself and Irene কৌবা জিম কেরিগী ফিল্মদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?
৩. ৱিল্লিয়ম পেটিগ্রুনা মণিপুরদা করম্বা মশান্না হৌদোকখিবগে?
৪. কোলকটাগী উদায়ন চেরিটি হোমগা মরী লৈনবা, মসিবু মতেং পাঙবা শান্নরোয় অমগী মমিং হায়য়ু।
৫. লাই অসিদা উৎলিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং অমদি মহাক্না শান্নরিবা মশান্না অদুগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫ থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




HL-B/3934/11/6-10/7




HL-B/3953/8/7-17/8

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com